# ঈদ-অল-জুহা নুমিত্তা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংনা য়ুমদা য়োকপা শাশিং হাৎপদা গৌহাটি কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ১০ (এজেন্সি):
ঈদ-অল-জুহা নুমিত্তা শাশিং হাৎপগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া লৈরম্বা অদুগী ৱারোইশিন ওইনা হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংনা শা হাত্তুনা সেক্রিফাইস তৌবা অসি লোগী মতুংইন্না য়াই হায়না লাউথোকখ্রে।



হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা গৌহাটি হায় কোর্টনা নুমিৎ অসিদা শাশিং হাৎপদা অয়াবা পীখ্রবা মতুং অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা ঙসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা শা পাত্তুনা হাৎপগী থবক চত্থদনবা অপিল তৌখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর সর্মনা ফোঙদোকখিবদা, ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংনা ঈদকী নুমিত্তা শা হাত্তুনা হরাও নুঙাইবা ফোঙদোকপদা অয়েৎপা অমদি অথিংবা পীবা অমত্তা লৈতে। অদুবু হিন্দু, জেন, সিখ অমদি ষন চাদবা মীনা নম্না খুন্দাবা মফমশিংদদি য়ারিবমখৈ শাশিং মরুওইনা ষন হাত্তনবা হোৎনগদবনি। মরমদি মসিনা অতোপ্পা লাইনিং চৎলিবশিংগী থম্মোয়দা চাওনা নুংঙাইতবা অমা পোকহনগনি হায়রি।

এনিমেল ৱেলফ্যের বোর্দ ওফ ইন্দিয়ানা হন্দক চহীগী ওইনা মীয়াম মমাংদা শা-ষনশিং হাত্তনবা অমদি ইল্লিগেল ওইবা মওংদা শাশিং পুদুনা চৎপদা অথিংবা থম্লকখিবা অদুগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া থোরক্লি। মরুওইনা ঈদ কুম্মৈ য়ৌশিল্লকপা মতমদা থোকখিবা ওর্দর ওইবনা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা ঈদ নুমিৎতা মীয়াম্না হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকপদা অকায়বা ওইরগদ্রা হায়না ৱাহং ফাওবা হংনরক্লি। অমরোমদা গভর্নমেন্টকী ওর্দর অশিবু শিংনরদুনা কোর্টতা থারকখিবা পি আই এল অমগী মতাংদা য়াম্না মুন্না নৈনরবা মতুং ঈদ নুমিত্তা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংনা য়ুমদা য়োকপা শাশিং হাৎপদা অকায়বা লৈতে। লোগী মতুংইন্না মসিদা অকায়বা লৈতে হায়না গৌহাটি হায় কোর্টনা ৱায়েল তাখিবনি হায়রি। অদুমওইনমক য়েংবদা নুংঙাইতবা মওংদা শাশিং হাৎপগী থবক চত্থরবদি মদু লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংবসু য়াই হায়না কোর্টনা মখা তারি।




তপস্যানা শিন্দুনা ককচিংদা থা অমা চুপ্পা অরিবা পেনাগী মেল ১২ অমসুং নত-সংকির্তনগী মেল ১২ গী মতাংদা চত্থগদবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন হৌদোকখিবা

# অচুম্বা ৱায়েল চত্থনবা দিমান্দ তৌরদুনা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে

দিব্রুগর, জুলাই ১০ (এজেন্সি) :
হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা অসামগী চহী নৌরিবা এনিমেল এক্টিভিষ্ট ভিনিট বগারিয়া মশামক্কী ময়ুমদা মতোমদা শিজরমখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোক্লবা অমদি মীশি অদুগী মতাংদা চেন্নরিবা মীওইশিং লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না মৈরা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

ভিনিটনা শিদ্রিঙৈগী মমাংদা ভিদিও অমা রেকোর্দ তৌরমখি। ভিদিও অদুদা বাইদুলা খান, সঞ্জয় শর্ম্মা অমসুং নিশান্ত শর্ম্মনা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংদা লমগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা ফিজিকেল্লি এন্দ মেন্টেল্লি হরাসমেন্ট পীবগী মতাংদা পল্লি। অমরোমদা থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনরিবা মীওইশিংগী মনুংদা অহুম পুলিসনা ফারবা মতুং কোর্টতা পুথোক্তুনা নুমিৎ নীনীগী রিমান্দ লৌথখ্রে। অদুগা সঞ্জয় শর্ম্মা অমসুং ইজাজ খানদি হৌজিকসু ফাবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

# কোহিমাদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চত্থরিবশিং খুমাং চাওশিন্দবগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

দিমাপুর, জুলাই ১০ (এজেন্সি) :
নাগালেন্দদা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং মরুওইনা কোহিমাদা শেম শাবগী থবক চত্থরিবা হায় কোর্ট কমপ্লেক্স অমসুং মেদিকেল কোলেজ শাবগী থবক খুমাং চাওশিনবা ঙমদনা লৈরিবা অদুগী মতাংদা অসাম অমসুং নাগালেন্দগী গভর্নর ওইরিবা প্রোফেসর জগদিস মুখিনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।



ঙরাং গভর্নর মুখিনা কোহিমাদা শেম শাবগী থবক চত্থরিবা হায় কোর্ট কমপ্লেক্স অমসুং মেদিকেল কোলেজ শারিবা মফমশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখি। কোহিমাদা হৌজিক শাবগী থবক চত্থরিবা নাগালেন্দ হায় কোর্ট অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৭ তা শাবা হৌনবগী উরেপ উয়ুং তমখিবনি। অদুগা মেদিকেল কোলেজ অসিগীনা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা উরেপ উয়ুং তমখি। অদুবু ঙসি ফাওবা শাবা লোইশিন্দনা লৈরম্বা উখিবদা গভর্নরনা পেন্দবা ফোঙদোকখিবনি।

প্রোজেক্টশিং অসিগা মরী লৈনবা কনর্সন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা হায় কোর্ট শাবগী লম লৌশিনবগী মতাংদা চয়েৎনবা খরা লৈখিবা অমদি হৌখিবা চহী অহুম্লোম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা ফন্দ মতম চানা থাদোরক্তবদগী শেম শাবগী থবক অমুক হেন্না থেংথখিবনি। অদুগা মেদিকেল কোলেজকী ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা মতম অদুগী গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ১৮৯ গী গ্রান্ট অমা এপ্রুব তৌখি। হায়রিবা শেনফম অসিগী চাদা ৯০ না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পুথোক্কদবনি অদুগা লেমহৌরিবা ১০ অদুনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পুথোক্কদবনি। মেদিকেল কোলেজ অসিদা লৈগদৌরিবশিংগী মনুংদা নুপা অমসুং নুপীশিংগী হোষ্টেল, মেদিকেল কোলেজ বিল্ডিং, টিচিং হোস্পিটাল অমদি ফমুং ১০০ লৈগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং য়াওরি। অমরোমদা গভর্নরনা প্রোজেক্ট অনী অসি মরী লৈনবশিংগা তানদুনা অথুবা মতমদা লোইশিনহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরক্লি।

# ঈচাওগী ফিভম হান্নগা য়েংনরুবদা ফগৎলক্লে, লম্বী-থোং ফাউনহন্নবা কন্না হোৎনরি : রিপোর্ট



গুৱাহাটি, জুলাই ১০ (এজেন্সি):
মমাং থা অমদি থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা অসামদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদ থোক্তুনা মীওই ১৯০ শিহনখিবা অমদি কয়া অমনা অৱাফমদা তাহনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং তাবা লেপখিবদগী ঈচাওগী ফিভম ফগৎলকখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা অৱাবা তাহৌরবা মীওইশিংগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, ষ্টেট অসিদা ঈচাওগী ফিভম হান্নদগী খরা ফগৎলক্লবসু মীওই ৬,২৭,৮৭৪ রোমদি হৌজিকসু ঈচাওগী চৈথেং মখা তানা নংলি। ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৫ দা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা খরদি লৈফম লৈতবগী খুদোংচাদবা লৈরি। হৌজিক হৌজিকসু ঈচাওনা মখা তানা শোকহল্লিবা মফমশিং অদুদি বজালি, কছার, চিরাং, দিব্রুগর, দিমা হসাও, গোলাঘাট, হৈলাকান্দি, হোজাই, কামরুপ, করিমগঞ্জ, মোরিগাউন, নাগাউন, সিবসগর অমসুং তমুলপুরনি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী শরুক খরদা ঈচাওগী চৈথেং খরা লৈহৌরবসু অয়াম্বদি হান্নগুম ময়ুম ময়ুমদা চঙদুনা লৈবা হৌনখ্রে।

ষ্টেট অসিগী মরুওইবা তুরেলশিং হান্না দেঞ্জর মার্ককী মথক্তা চেল্লম্বা অদু হৌজিক্তি ময়েং তাখ্রে। মরম অদুনা কা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে। অদুবু লেন্দ স্লাইদ অমদি ঈচাওনা পুথরকখিবা লৈখোম লৈনাংনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা নেসনল হায়ৱেশিং অমদি মী কা হেন্না চৎনবা সব ৱেশিং শেমজিন শাজিনবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থবা হৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অসাম পুলিস অমসুং অলফা-আইগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখ্রে

দিব্রুগর, জুলাই ১০ (এজেন্সি):
ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা অসামগী তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পেঙেরিদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা অলফা-আইগী লালহৌবশিং অমদি অসাম পুলিসকী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, নোংমৈ কাপ্নগী থৌদোক অসি তিনসুকিয়াদগী কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা পেঙেরি খুঙ্গংদা থোকখিবনি। লালহৌলুপ অসিগী কেদরশিং অদু ম্যান্মারদা লৈবা মখোয়গী বেজ কেম্পতগী অরুনাচল প্রদেশ ফাওদুনা পেঙেরিদা চঙলকখিবা ওইরম্বা য়াই। উমংগী অশুকপা অমদি অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা লালহৌবশিং অদু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি। দি আই জি জিটমাল দোলেনা লুচিংবা পুলিস টিম অদুগা লালহৌবশিংগগী মরক্তা মিনিট ৩০ হেন্না নোংমৈ কাপ্নখি।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং পেঙেরিদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থোমজিল্লক্তুনা থি হুম্বগী থবক চত্থবা হৌখ্রে। ষ্টেট অসিদগী লালহৌবশিং মরু ফংনা মুত্থৎনবগী পান্দমদা অসাম পুলিসনা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু ষ্টেট অসিদা লালহৌবশিং কন্ট্রোল তৌনবা পুলিসকী মায়কৈদগী হোৎনখিগনি হায়রি। পনবা য়াবদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদা থা অসিগী অহৌবা নুমিত্তা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা আলফা-আইগী লালহৌবা অমা শিখি।

# লম্লক্কী শামুনা নেৎখায়বদগী মীওই অমা শিরে

উদালগুরি, জুলাই ১০ (এজেন্সি):
অসামদা য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা খুঙ্গংগী মীওইশিং অমদি লম্লক্কী শামুশিংগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোক অমদা মীওই অমা লম্লক্কী শামুনা নেৎখায়বদগী শিরে হায়রি।

অসামগী উদালগুরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ধরমজুলি খুঙ্গংদা থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক থোকখিবনি। ঙসিগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং রঞ্জি রাজবোংসি কৌই। মহাক খুঙ্গং অসিমক্তদগীনি হায়রি। অমরোমদা ফোরেষ্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, খুঙ্গং অসিদা অমদি মনাক নক্লা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা লম্লক্কী শামুশিংনা মচিঙ্গাক থিবা য়াম্না তোয়না লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা খুঙ্গাশিং অমদি লম্লক্কী শামুশিংগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা শামুশিং অদু খুঙ্গংদা চঙলকখিবনি। মদুদা রঞ্জিনা শামুশিং অদু তাম্থোক্লবা হোৎনরুবদা শামু অমনা নেৎখায়দুনা মহাকপু হাৎখিবনি হায়রি।

# CROSSWORD-3581



## ACROSS

1 Intense anger (4)
3 Paper size (8)
9 Pharmacist (7)
10 Wall painting (5)
11 Church council (5)
12 Imaginary ideal place (6)
14 Sculptor's tool (6)
16 Gain (6)
19 Provide with garments (6)
21 Penne, rigatoni, etc (5)
24 More pleasant (5)
25 Slaying (7)
26 Prepare (3,5)
27 Brief satirical sketch (4)

## DOWN

1 Hiker's backpack (8)
2 Verdant (5)
4 Choose not to participate (3,3)
5 Uncertain situation (5)
6 Welsh city (7)
7 Chums (4)
8 Centre (6)
13 Direct (8)
15 Unlawful (7)
17 Small wave (6)
18 Adorned (6)
20 Curt, abrupt (5)
22 Pong (5)
23 Cosy (4)

**Solution 3580**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | O | M | E | T | I | M | E | S | ■ | S | A | P |
| A | ■ | O | ■ | R | ■ | A | ■ | E | ■ | H | ■ | A |
| T | W | I | C | E | ■ | S | A | V | I | O | U | R |
| A | ■ | S | ■ | M | ■ | S | ■ | E | ■ | W | ■ | M |
| N | O | T | A | B | L | E | ■ | R | I | O | J | A |
| I | ■ | ■ | ■ | L | ■ | S | ■ | ■ | ■ | F | ■ | ■ |
| C | O | F | F | E | R | ■ | B | A | F | F | L | E |
| ■ | ■ | O | ■ | ■ | ■ | I | ■ | N | ■ | ■ | ■ | N |
| S | T | R | I | P | ■ | N | O | T | I | C | E | D |
| O | ■ | E | ■ | R | ■ | S | ■ | L | ■ | H | ■ | L |
| L | A | S | C | A | L | A | ■ | E | R | A | S | E |
| I | ■ | E | ■ | N | ■ | N | ■ | R | ■ | L | ■ | S |
| D | Y | E | ■ | K | E | E | P | S | A | K | E | S |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3982**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 8 | | |
| | 7 | | | | 1 | | | 2 |
| 4 | 2 | 9 | | | 7 | 3 | | |
| | 4 | | | | 9 | 2 | | 3 |
| | 9 | | 6 | | 4 | | 5 | |
| 7 | | 1 | 3 | | | | 4 | |
| | | 2 | 5 | | | 9 | 3 | 7 |
| 3 | | | 7 | | | | 2 | |
| | | 7 | | | | | | |

**Solution-3981**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 5 | 6 | 7 | 3 | 2 | 9 | 4 |
| 6 | 9 | 2 | 5 | 1 | 4 | 8 | 3 | 7 |
| 4 | 3 | 7 | 8 | 2 | 9 | 6 | 5 | 1 |
| 9 | 2 | 6 | 3 | 4 | 8 | 7 | 1 | 5 |
| 5 | 7 | 4 | 9 | 6 | 1 | 3 | 2 | 8 |
| 3 | 1 | 8 | 7 | 5 | 2 | 4 | 6 | 9 |
| 8 | 4 | 1 | 2 | 3 | 5 | 9 | 7 | 6 |
| 2 | 6 | 9 | 1 | 8 | 7 | 5 | 4 | 3 |
| 7 | 5 | 3 | 4 | 9 | 6 | 1 | 8 | 2 |

# EMPLOYMENT NEWS

## IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR RESEARCH ASSOCIATE

Indian Institute of Technology Guwahati Research Associate Recruitment 2022: Advertisement for the post of Research Associate in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 16 July 2022. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Research Associate Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2022 page.
Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
IIT Guwahati
invites applications for recruitment of Research Associate
Research Associate
Job Location:
Indian Institute of Technology, Guwahati, 781039 Assam
Last Date: 16 July 2022
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Organization IIT Guwahati Recruitment 2022
Post Name Research Associate
Total Vacancy 1 Posts
Salary Rs.55,770 - Rs.55,770 Per Month
Job Location Guwahati
Last Date to Apply 16 Jul, 2022
Official Website iitg.ac.in
Educational Qualification: M.Phil/Ph.D.
Skills / Eligibility
Only the candidates who meet the minimum qualifications are eligible to apply for the Research Associate vacancies. The qualification for IIT Guwahati Recruitment 2022 is M.Phil/Ph.D. After reviewing the qualifications required for the IIT Guwahati recruitment 2022, you may move on to the next step of determining how to apply for the position and submitting your application before the deadline.
Pay Scale: INR Rs.55,770 - Rs.55,770 Per Month
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
Candidates who are applying for IIT Guwahati Recruitment 2022, must apply before the last date. Candidates, who apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website iitg.ac.in
Step 2: Search the notification for IIT Guwahati Recruitment 2022
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022.
Important Dates:
Published on: 08 July 2022
Last date for application is: 16 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## CAU RECRUITMENT 2022 FOR JUNIOR RESEARCH FELLOW

Central Agricultural University Junior Research Fellow Recruitment 2022: Advertisement for the post of Junior Research Fellow in Central Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 23 July 2022. Candidates can check the latest Central Agricultural University Recruitment 2022 Junior Research Fellow Vacancy 2022 details and apply online at the cau.globizsapp.com/ recruitment 2022 page.
Central Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cau.globizsapp.com/. Central Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of cau.globizsapp.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
CAU
invites applications for recruitment of Junior Research Fellow
Junior Research Fellow
Job Location:
-, Ri Bhoi, - Meghalaya
Last Date: 23 July 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 2 Posts
CAU
CAU Recruitment 2022 Details
Company Central Agricultural University
Organization CAU Recruitment 2022
Post Name Junior Research Fellow
Total Vacancy 2 Posts
Salary Rs.31,000 - Rs.31,000 Per Month
Job Location Ri Bhoi
Walkin Date 23 July 2022
Official Website cau.ac.in
Educational Qualification: M.Sc. in Plant Pathology/ Plant Biotechnology/ Botany/ Plant Microbiol ogy. NET qualified
Skills / Eligibility
Only the candidates who meet the minimum qualifications are eligible to apply for the Junior Research Fellow vacancies. The qualification for CAU Recruitment 2022 is M.Sc. After reviewing the qualifications required for the CAU recruitment 2022, you may move on to the next step of determining how to apply for the position and submitting your application before the deadline.
Pay Scale:
INR
Rs.31,000 - Rs.31,000 Per Month
Age Limit: 35 years for men and 40 years for women on the date of interview (relexable lor ST/SCIOBC and other categories as per the Govt" of India rules).
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
Interested and eligible candidates can walkin to the respective venue as stated in the official notification. The wakin date for CAU Recruitment 2022 is 23/07/2022. Go through the instructions carefully and carry the necessary documents at the time of the interview.
Important Dates:
Published on: 07 July 2022
Last date for application is: 23 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

